
# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ লালুকোক

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ









**লমহাং-তুহাংদা** থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌবা হাজোংবা পান্বীলক্তগী হীদাক্কী মগুণ শিংথানীংঙাই ওইনা য়াওবা পান্বীনি লালুকোক হায়রিবা পান্বী অসি। লালুকোক পান্বী অসি সুদানিজগী মরোলদা জুকুট ম্যুরিট (Jukut meurit), জাভানিজদা সেপ্রা (Seprah), কম্বোদিয়াদা ক্লেট চোউম থোর্ন (Klet Choum thorn) নৎত্রগা কোম্বেট (Kombet) নৎত্রগা কোম্বেট চোউন (Kombet Choun), কেমেরুনদা মাগবাগপী (Mbag'api), ইটালিদা দাইক্রোসেফালা (Dicrocefela), লাওসতা চো-কে (Cho-ke), মাদাগাসকরদা আহীদ্রিনদ্রিনা (Ahidrindrina), থাইদা ফকচী দোই (Phakchee doi) নৎত্রগা সাপ হেঙ্ (Saap haeng) নৎত্রগা হেঙ্ খোঙ্ (Haeng Khong), ভিয়েটনামিজদা রৌ চুই (Rau Chui), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দাইক্রোসেফালা ইন্তেগ্রীফোলিয়া (Dichrocephala integrifolia (L.F). O. Kuntze)* নৎত্রগা *দাইক্রোসেফালা লেটিফোলিয়া (D. latifolia (Lam.) DC)* নৎত্রগা *দাইক্রোসেফালা বাইকলর (D. bicolor (Roth.) Schtdl.)* নৎত্রগা *গ্রেঙ্গিয়া লেটিফোলিয়া (Grangea lalifolia Lam. ex Poir)* অমসুং *এসটরেসী (Asteraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

লালুকোক হায়রিবা পান্বী অসিগী লৈকোক (Inflorescence) অসি হেক য়েংবদা মীওইবনা চান্নরিবা লালু অসি মানবদগী পান্বী অসি লালুকোক হায়না থোনখিবনি। লালুকোক পান্বী অসি মসা য়াম্না লোঙবা, অঙৌবা মতু চোন্বা ফুট ১-২ রোম ৱাংবা এনুয়ল হায়বদি চহী অমা খক্তমক পুনশিবা পান্বীনি। পান্বী অসিগী মনা অসি সেন্টিমিটর ১০ শাংবা অদুগা সেন্টিমিটর ৪ রোম পাক্তুনা ময়াৎ-ময়াৎ য়াৎপা অমদি মচু অদু হেক য়েংবদা উৎ মচু চঙলপ তৌই। পান্বী অসিগী লৈকোক অদু নৌরিঙৈ মতমদা লালু অমগুম্না মতুম তারগা মথক থংবা শরুক অদু তোংতক তৌই অদুবু লৈকোক অদুনা মপূং ফানা শাংতোরক্লবা মতমদা লৈনা (Ray Flower) অদু হঙ্গাম মপাল নৎত্রগা মঙ্গ্রা মচু চঙলপ তৌনা শাংতক তৌই অমসুং মখা তারকপদা কোনশিল্লকই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লালুকোক পান্বী অসি আফ্রিকা, এসিয়া অমসুং মালায়াগী খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেল অমসুং সব-ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা পাক শন্না হৌজে। পান্বী অসি সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৯০০ ৱাংবা মফমদগীনা মিটর ২,২০০ ৱাংবা মফমশিংদা মরুওইনা হৌবা থেংনৈ। ঙসিদি লালুকোক পান্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা য়াম্না পাক শন্না শনে দাকখিদুনা হাজোংবা (Weed) পান্বী অমা ওইনা হৌখ্রে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু লালুকোক পান্বী অসি থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌই।

পান্বী অসি চীংখোঙ-চীংয়া, শঙ্গাবুং অমসুং শান্নবুংগী অকোয়বা, কোকথোকখ্রবা উমংগী মফমশিং সরক অমসুং খোংবানগী মনাক অমসুং লৌবুক্কী লৌরিবশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনৈ। পান্বী অসি শা-ষণনা চাদবা মরম্না মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লালুকোক পান্বীদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিংদি ষ্টেরিক এসিদ (Stearic acid), Sigmasta-7, 22-dien-3-ol, β-amyrin, Epifriedelanol, Methyl Stearate, Tritetracontane অসিনচিংবনি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না কম্বোদিয়াগী মীওইশিংনা লালুকোক পান্বীগী অনৌবা মতোন নৎত্রগা মনা অদু ফজনা শুগাইরগা চাং নাইনা তৈদুনা তীল-কাঙনা চীকপদা লায়েংনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লালুকোক পান্বী হেন্না পাম্নবনা লৈ অদু কোক লুনবা চেঙহী লোনবদা য়াম্না মরুওইবা মচল অমা ওইনা হাপ্লে। মসিনা কোক্তা লৈবা হীক অদু হাৎপা ঙম্বগী মথক্তা শম অদু মপুন্সি শাংনা থম্বা ঙম্মী হায়না শীজিন্নৈ। লালুকোক পান্বীগী অনৌবা লৈ অদু ফজনা শুগাইরগা চিনি অঙাংবা নৎত্রগা খোইহি খরগা তোৎশিন্নরগা পীজবদা ঈশিং য়াফম তৌদুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা অমদি লিকপদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদম লৈ। হীরম অসিদা লালুকোক পান্বীগী লৈ অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা অফবা ঈশিংদা পুং ৩-৪দং তিংলগা চুমদুনা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২মুক্কী চাংদাদা পীথক্তুনা লায়েংবসু য়াই। হায়রিবা অশেন্বা মহী অসি পীথকপদসু মীওইবগী হকচাংদগী হুমাং অদু মপূং ফানা থোকহন্দুনা হকচাং তয়াং-তয়াংনা অমদি নাদ-য়েক্তনা থম্বদসু মতেং পাংই হায়না পাউদমলি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কেমেরুনদদি লালুকোক পান্বীগী মনা অমসুং মখোক অসি য়া শৎত্রিঙৈদা থোমদুনা য়া শৎপা অদুগী চৈনা হন্থহনবা হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। শুগাইরবা পান্বী অদু য়া শৎত্রিঙৈ মিনিট ৪-৫গী মমাঙদা থোম্বা মতমদা য়া অদু নোমহনবা ঙমদুনা ইরায় লায়না শত্তোকপা ঙম্বগী মথক্তা য়া অদু শৎপা মতমদসু চৈনা ইফাও ফাওহন্দে। হায়রিবা অশেন্বা অসি য়া শত্তোকখ্রবা মতুংদা থোম্বদসু ঈ থোকপা অদু থুনা খকহনবদা মতেং পাংই। Russell's Viper হায়না খঙনবা লিন্দু-শেনময়েক থোকপী অসিনা চীকপদা লালুকোক পান্বী অদু ফজনা চামথোক্লগা শুগাইরগা থোমদুনা হু অদু চিংথোকহন্দুনা লায়েংনৈ। কেমেরুনদদি লালুকোক পান্বী শুগাইরগা ঈশিংদা তীংদুনা লৌবা মহী অদুনা ষণ, ইরোই অমসুং হুইনচিংবা শাশিং ইরুজবিদুনা মহীক মতাই অমদি উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুং ইন্না লালুকোক পান্বী অসি কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী। লালুকোক পান্বীগী মনা অদু ইথানোল হায়রিবা যু অসিদা শুগাইরগা শেন্বা মহী অদু মখল-মখা কয়াগী কোকফাই শুজা অমদি বেক্টেরিয়া হীংকুপশিং হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ।

---

# মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী নিংথৌ খোম্বগী হাক্তক ফাওবদা লৈরমখিবা ফীভমশিং

খুন্দোংবম কুমার

**ৱামাং য়াঙ্গহৌবা :-** ঐখোয়গী মৈত্রবাক মণিপুরসিদা লৈরিবা য়েক সলাইশিং অমদি অতৈ কাঙলূপ য়াওনা খুদিংমক্তা শিঙনরগা ইজবা নৎচদে। হৌখ্রবা ঙল্লিঙৈগী মতমদুদা লৈরমখিবা মচোই-মচোই তান্নদুনা অমদি লৈবাক মচা-মচা খাইদোক্লদুনা পাল্লমখিবা মফমসি লাইগা পাংখক ওইরবা মতিক-ময়াই লৈরবা ৱাংঙম মৈতৈ নিংথৌজা সলাইগী লুচিং মখাদা কমদৌনা অপূনবা মৈত্রবাক মণিপুর শেমখিবগে হায়বগী মতাংদা পুৱারী খরদগী লৌথোক শত্তোকচরগা ইজরিবনা শুপচিন্না থমজবনি। অরান-অহুই কয়া য়াওরল্লবসু ঙাকপীগনি। ইজরিবা ইশামকসু খাবা-ঙানবা সলাইদা য়াওদুনা লৈরম্লে।

**ৱাহৌদোক :-** খাবা অমসুং মাগী কাঙলূপনা কংলৈপুং ময়োন্দা পাল্লম্বগী খুদম লৈজরল্লবসু মৈত্রবাক (মণিপুর) হায়বা লৈবাক অমা শেমগৎখিবগী পুৱারী খূৎমাবীখিবদি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (কুমজা ৩৩/৩৪-১৫৪) দগী হৌখিবনি হায়বসিমদি ইচুম চুম্লবা মাল্লি। লাই-তীল (মাইথোলোজিকেল) গী ৱারী শিংবুনবু থাদোকচরম্লগা তাইবঙ মপোক মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মহাক্কী পলেম মমা নোংদা নোংখললেম্বী (লৈনুং য়াবীরোক হায়নসু খঙনবা) গী থৌরাং থৌশিলনা কংলৈ-মৈত্রবাক (মণিপুর) হায়বা লৈবাক অমা শেমখিবসি কুমজা ৩৩/৩৪দগীনি। অদুদগী মথং মথং লৈবাক চাওখৎলক্তুনা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বগী হাক্তক্তদগীদি হাইনা হুম্না পানবা মশা মতোমতা ৱায়েল থৌদাজবা অমসুং মশাগী মনীং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরকখিবনি হায়বসিনা পুৱারীগী মতুং ইন্না থমজবনি।

**মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী ঙমখৈ লমদম :-**

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা খাবশিংবু তান্থোকখ্রবা মতুংদা লীংখৎখিবা লৈবাক মচা অসিগী পাক চাউবা অমসুং ঙমখৈশিংগী লমদমশিংদি - অৱাংলোমদা হাওকপ চীংশাং, খুনফম ঙাংচেংগী চীংশাং (চীংমৈরোংগী অৱাংলোমদা শন্দোকখ্রিবা চীংশাংদুগীনা কোয়রেঙ্গৈগী লমদমদা লোয়বগী অরোইবা ঙমখৈ), নোংপোকলোমদা খুরাই অহোঙপুঙ (হৌজিক্কী টেলিপতিগী লমদমগী অরোইবা ঙমখৈ), খারোমদা ককৱা লমদাইপুঙ (হৌজিক্কী ককৱা কৈথেলগী খা-নোংপোক পাংনা - ককৱা হায় স্কুল নৎত্রগা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈরিবা অনেম্বা লৈপুঙগী ঙমখৈ লোইবা) অমসুং নোংচুপলোমদা তাকয়েল পাৎ অমসুং লাংজিং চীংদুম য়ৌবনা কোল্লিবা লমকন অসিমখৈনি।

চীংখোং পোইরৈতোন্না (মৈত্রবাক্কী খা-নোংপোক লোমদা খম থেংনা লৈবনি হায়বা) লৈনুং খমনুং লমদমগী খুন্থোক্লক্তুনা কবো তম্পাক ফাওদুনা মণিপুরগী অকোয়বদা লৈরিবা চীংবুরোই-তম্বুরোই কয়া কোয়রুরবা মতুংদা কংলৈ পুঙময়োন্দা কংলা-ফম্বালগীদমক্তা নোংদা লাইরেন পাখংবগা লান্থেংনবগী ৱারীদি থাদোকচরম্লে। মৈদিংঙুসিনা লৈমা লাইস্নাগা লোয়নন্না পাল্লিঙৈ মতম মশাগী চহী ৫৪/৫৫ শুরকপা অসুৱাইদা খাবশিংনা অমুক লান্দারকপদগী মোইরাংদা চেন্দুনা কনা খঙহন্দনা লৈখিবগী মতাং অদুদগী মৈতৈ লৈমা লাইস্নানা নোংদা লাইরেন পাখংববু থিরুবগী মতাংসিসু থাদোকচরম্লে। অদুবু মৈতৈ লৈমা লাইস্নাগী হৈশিংবা খুজিন থৌরাংনা লাম্মী তেঙ্গোল শেমগৎতুনা খাবশিংবু কংলৈ পুঙময়োন্দগী তান্থোক্তুনা নোংদা লাইরেন পাখংবনা মৈত্রবাক্কী কংলৈ ফম্বাল হঞ্জিনখি। কুমজা ১৫৪দা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মহাক্কী চাদাশিংনা লৈবাক চাওথোক্লবা হোৎনজরবসু মৈদিংঙু নাউথিংখোং (কুমজা ৬৬৩-৭৬৩) গী মতমদুদসু মৈতৈ (নিংথৌজা), লুৱাং, অঙোম, খুমন, শেল্লোয় লংমাই, মোইরাং, চেংলৈ (সরাং লৈশাংথেম), খাবা-ঙানবা অমসুং মঙাং অসিনচিংবশিংসি অমনা অমগী মখা পোন্নদনা লৈনরম্মী। অদুবু মঙাংশিংদি মৈদিংঙু নাওথিংখোংনা মায়থীবা পীদুনা লোই চনশিনখি। মঙাংশিংসি লোইবী ফৌওই চীংদা পাল্লম্মী হায়। মঙাংশিংবু মায়থীবা পীখি হায়দুনা নাউথিংখোংবু মঙাংঙম্বা হায়নসু কৌই। মৈদিংঙুসিগী মমিংসি হোংনেময়োই খুঞ্জাওবসু কৌই। মতুংদা অমুক নাউথিংখোংনা খরা খরা তকশিল্লক্তুনা থাঙঙা কম্বোং (চৈংলৈ) বু লাকশিনখি। চহী কয়ামুক্কী মতুং কুমজা ১৩৩৫ (মৈদিংঙু তেলহৈবগী মতম ওইরম্বা য়াই) অদুৱাইদগীদি খূৎকন পাঙ্গন্না লৈরম্বা খুমন নিংথৌ 'লময়ায় কাইখিনবা' না পানবা মতমদা খুমন লৈপাকসি অসুম অসুম পীকশিল্লক্তুনা মতোমতা লীংবা ঙমলক্তদুনা মৈতৈ লৈপাক্তা পূনশিনখি হায়না 'খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা অমসুং খুমন কংলৈরোন্দা' থেংনৈ।

**চহী ১০০মুক্কী মতুং (কুমজা ১৪৩২-১৪৬৭) মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী মতমদা অমুক লাকচগে :-**

মৈদিংঙুসিনা পাল্লিঙৈ মতমদা মোইরাংগা লান হোংনবদসু মৈতৈশিংনা মোইরাংশিংবু মায়থীবা পীখি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা কবোদা লান্দাবা চৎখ্রিঙৈদা (কুমজা ১৪৪৩) তাঙ্খুল চীংশাং পূম্বনা হৌরক্তুনা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারকখিবা লৈখি অদুবু মৈতৈ লৈমা অঙোম চনু লিন্থোইঙম্বীগী হৈশিংবা লাল্লোংনা তাঙ্খুলশিংবু লাকশিনখি, কোয়থোক্লা থমজদ্রে। ইজরিবা ঐহাক্লা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী নিংথৌখোম্বা ফাওবসি শুগাইনা থমজবা ঙমজদে, খঙজবা খজিকখক্তং পুৱারীদগী শত্তোকচরগা শুপচিন্না থমজনবা হোৎনজবনি।

**ৱারোই :-** মৈত্রবাক (মণিপুর) সি জিওগ্রাফিকেলগী মীৎয়েংদা মপূম ওইনা উজরবসু ঙল্লিঙৈগী চহীচা কয়াদা হায়বদি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা ফাওবা (পূন্না নিংথৌরোল - ৩৭) সি নিংথৌ অমগী লৈঙাক মখাদা লৈরমদে হায়বসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। হায়রিবা মতমদু নোংচুপলোমগী লাইনীং লাইশোনগী মমি শুকতম তমদ্রি হায়না খল্লি অদুগীসু মথক্তা ব্রহ্মন নৎত্রগা বামন লাকত্রি। মতমদুদা মৈত্রবাক মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা তাদুনা লৈরল্লিবা কাঙলূপশিং অমদি সলাইশিং অমগা মুক্কদুনা লান্থেংনবা, কোক ককনদুনা লুখা থানবগী চৎনবী লৈরমদুনসু মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বগী সনা হাক্তক্তগীদি মপূং মরৈ ফাবা লোইশঙ লীংদুনা অমদি চৈথাবা হাপ্তুনা মপূম ওইবা মনীং মখা তম্বা নিংথৌ পানবা (কিংদম) লৈবাক হায়বদু ওইরকখি। মতাং অসিদা 'মনীং মখা তম্বা' হায়বসি নোংপোক অমসুং নোংচুপ লমগী মখাদা লৈরম্বগী ৱাফম নত্তে, মৈত্রবাকসিদা খুন্দা লৈতারিবা সলাইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিং কয়াসি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগা শেমগৎচখিবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা পুনশিন্দুনা মপূং ফাবা ওইখি হায়বনি। ইজরিবনা নোংচুপলোমগী লাইনীং য়ৌরকত্রিঙৈদা লৈরম্বা নিংথৌরোলশিংদুগী ফীভমশিংবু হায়ফেৎ পাদুনা য়েংজরুবদা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বদগী হৌরগা মথং মথং লাকখিবা ইনিংথৌশিংদুনা মতৌ করম্না অমসুং করিগীদমক্তা নোংচুপলোমগী লাইনীং (নিমান্দি/রামান্দি) লৌখিবগে হায়বগী মরম খঙনবা হোৎনজবনি। মতাং চাবদা মখা তাজরক্কে।

শাংখ্রবা মতমদুগী নিংথৌরোলশিংদুগী লাইরোলগী মশক ওইরবা ৱারীশিংবু করিসু খঙজদ্রবা ঐহাক্লা খুদম চাংদম য়াওবা মতাং মতাংদবু লৌখৎচরগা অপাবা অপাবীশিংগী মফমদা লান্থোকচবনি।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :-

১) বি কুলাচন্দ্র শর্ম্মগী - পৱারী পুৱারীগী মৈতৈ চনু খরা।
২) লাইরেনময়ূম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী - চৈথারোল কুম্বাবা।
৩) নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী - অরিবা মণিপুর সাহিত্যগী ইতিহাস।
৪) মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহগী - পোইরৈতোন খুন্থোক।

---

# কলহৌসি মোইরাংগী কোনুংগী মফম

-মোহোনচন্দ্রা কোঞ্জেংবম -

**মৈহৌরোলদগী** মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কেগে মোইরাং মতম অমদা মতিক মঙান লৈনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্মী। খৃষ্টগী মমাঙদা পানখিবা ঙাংনিংশিং নিংথৌদগী লাইওইখ্রবা নিংথৌ ৫৯না মণিপুরদা তম্বীরম্বা খুদোল-মপান নাইদ্রবা কলা সংস্কৃতি অমদি সাহিত্যগী হৌরকফম মোইরাং কংলা লৈরম্বনা শৈশক্লবনি কেগে মোইরাং লমদম্বু লৈবাক্লা। লীরবা থাংজিংগী কলচর, লেমজনীংঙাই ওইরবা নিংথৌ পাল্লম্বগী কোনুং মফম, আই এন এ মেমোরিএল, কৈবুল লমজাউ অমদি লোক্তাক পাৎনচিংবশিংনা লৈতেং ওইরিবী লোয়নন্না প্রকৃতি লাইরেম্বী ইমাগী নিংথিজরবা খূৎশেমতনা থল্লবা, অউবা খুদিংগী পূক্লিং হুনফম ওইরিবা ঋতু তরুক্লা থৌগল্লিবী কেগে মোইরাং লমদমসি ঙসিদি মালেমগী লমকোয়বশিংগী মীৎয়েংফম মফম অমা ওইরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৬তা থাংজিং য়াগৈরেল মরুপ্না মোইরাংগী লাইওইখ্রবা নিংথৌশিংনা চহী ২০০০ হেন্না কোনুং ওইরম্বা মফমসি শেমগৎপীনবা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎচে পীশিনবদা খন্নগনি তাকপীখ্রগা তোকখি। মখা তানা মোইরাংগী পুৱারী অমদি কলচরগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কংলা, কোনুং অমদি অতৈ মরুওইবা মফমশিং কলহৌনবগী মীৎয়েংদা থাংজিং লাইকোলদা মার্চকী তাং ১৫, ২০১৫দা মোইরাং নিংথৌনা প্রসিদেন্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা লৈবাক মীয়ামগী মীফম্না হিষ্টোরিকেল হেরিটেজ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অসি শেমখি। লূপ অসিগী অহানবা থৌদাং ওইনা থাংজিংনা লৈশেম খুনশেমঙৈদগী লৈরক্লবা থাংজিং চীংবু থাংতিং ওনবা য়ারোই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা জোইন্ট কম্মিটি টিদ্দিম, মোইরাং, বিষ্ণুপুর, চূড়াচান্দপুরগা খূৎশম্নদুনা মতম কক্তবা মণিপুর বন্দ কৌবদগী লৈঙাক্লা য়ানবা পুরক্তুনা জন্যুৱারী ২০, ২০১৬তা থাংতিংগী ৱাফম হন্দোকখি। শাংলবা চহী ১০ হৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী গভর্ণর অনীরক উনরবা মতুং তেনখ্রবা থা ৪গী মনুংদা হায়বদি কুমজা ২০১৭, জুনগী তাং ৬তা লৈঙাক্লা মিরাইবিরুরবা কোনুং মফমসিবু মণিপুর এনসিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ ৱিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬কী মখাদা প্রোটেক্টেদ সাইট ওইরে হায়না লাউথোক্লকপদা মোইরাংগী মীয়াম কয়াগী মতিক নুংঙাইজবা। হিষ্টোরিকেল হেরিটেজ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, মোইরাংনা অতৈ লূপ কয়াগা খূৎশম্নজরগা নীংহন্নবা লৈতনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়নন্না লীরবা মোইরাংগী পুৱারী অমদি কলচরগী হৌরকফম কোনুং মফমসি কন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি। থেৎলি কোনুং মফমদা 'Ancient Palace Site of Moirang Kingdom' হায়বা পোষ্টর অমা অউবশিংদা নিংথৌ পাল্লম্বা মফমনি খঙনবা। অউবশিংনা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্তুনা হংলি মোইরাংগী কোনুং মফমদা করি-করি লৈবগে য়েংবা য়াগদ্রা হায়না। Under repair থাবা পোষ্টর থেৎলবসু মী চঙলকপদি লেপ্পে। কোনুং মফমসিদা লৈরিবা তেক কায়রবা কাশিংদুদা মমাঙঙৈগী অরিবা পোৎলম খরদং খোমজিল্লগা থম্নবা শেমজিন শাজিনবা কন্না হোৎনজরি। অদুবু শেল থুমগী অৱাৎপা লৈবদগী কাশিং শেমজিনবা লোইদবা মরম্না য়েংনীংবা মীয়ামগী অনীংবা অমদি অপান্বা পূম্বা মনীং থুংহনবা ঙমদনা লৈরি।

তাকচৈ কলচরনা ফুরুপ অমগী সভ্যতা, লৈবাক অমবু কোনুংনা মশক তাকই। মরমদুনা কোনুং কনবা হায়বসি লৈবাক অমা কনবগা পাঙ্খকনি। মোইরাংগী কোনুং মফমসিদা মমাঙঙৈ মতমদা শারম্বা য়ূমজাউ কারেল মাপল চাউবা কোনুংগী শক্তমদু লৌরগা নৌহৌনন্না ম্যুজিয়ম অমা ওইনা শেমগৎপা হায়বসি তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঙসিগী মীরোলনা তৌফম থোকপা তঙাইফদবা থৌদাংনি। বৃটিশ ম্যুজিয়মগী দিরেক্টর, Mc Gregor না হায়- Museums show a country's story and its position in the world. নীংশিংবা য়াই-লমদমসিগী লুচিংপুরেল ওইবিরম্বা শর্ব শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং অমদি শ্রীহেমাম নিলমনি অনীনা মীয়ামগী তেংবাংগা লোয়নন্না শেংলবা মোইরাং কংলাদা Col. S.A. Malik না আই এন এগী মচু অহুমগী ফিরাল কুমজা ১৯৪৪দা চিংখৎলম্বদু নীংশিংদুনা আই এন এ মেমোরিএল শেমগৎপীরম্বনা ঙসিদি মোইরাং অসি ভারতবর্ষগী নীংতম লানগী অমত্তা ঙাইরবা তির্থস্থান মফম ওইহল্লি।

ইশাগী ইথৌ পাংবদা হায়নবা অমুক নাইগদ্রা? লৈবাক মীয়ামগী খনবা মীনা তেনখ্রবা মীওইবগী পুন্সিনি খন্না, লেপ্পা নাইদবা মতমবু ঙাইদা, পুন্সি শিন্থা পাংবগুম, থেংলবসু থেংনা ইশা-ইশাগী অঙম্বা ৱাখল, লৌশিং, পাঙ্গল অমদি শেলগী তেংবাং পুথোক্লদুনা পাংলসি পাংফম থোক্লবা পুন্সিগী থৌদাং-কলহৌনবা মাঙখ্রবা মোইরাংগী মমল নাইদ্রবা পুৱারী অমদি কলচরগী হৌরকফম কোনুং। চাউথোকচৈ কৎথোকপদা মরৈবাক্কী খনবা মীনা। কুইমনবদগী কাউনরুরবা কেগে কংলাগী কোনুং কনববু কেগে কনানা করিগী করম্না কননীংদনি। অপূনবনা পাঙ্গলনি, পুল্লবদা ঙমদবা লৈব্রা? তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাবগুম কোনুং কনবদা ঐখোয় খুদিং থৌদাং লৌমিন্নরসি। লীরবা কোনুং মফমসি শেমগৎপীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

---

## মরোল থোকপা লাই

